

লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেলনা শীন্দুনা মার্চ ১৪ ফাওবা চথগদবা ফেকল্টি দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম ফোর য়ুনিভর্সিটি এন্দ কোলেজ টিচর্সকী ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম হৌদোকখিবা




রিজনল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজিনা শীন্দুনা ৱর্ল্দ কিদনি দেগী থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা পুন্না নম্মিন্নখিবা মমিগী শক্তম



নেসনল ফাউন্দেসন ফোর ইন্দিয়া (এন এফ আই)গী মতেংদা লোয়ননা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভেলপমেন্ট সর্ভিসেস ওর্গনাইজেসন ৱাংজিংনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখিবা



ৱর্ল্দ গ্লকোমা ৱিক ২০২২ থৌরমগা মরী লৈননা শিজ আই কেয়র ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা হোস্পিটাল অসিগী কেম্পসতা ফ্রী আই চেক অপ কেম্প পাঙথোকখিবগী শরুক অমা ওইনা নুপী পেসেন্ট অমবু আই চেক অপ তৌখিবা

# মণিপুরদা বি জে পিনা মেজিক নম্বর ফংখিবদু মনি পৱার অমসুং গন কলচরগী মখাদনি : সী পি আই

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলী ইলেক্সনদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ওইবা ঙমখিবদু মনি পৱার, মসল পৱার অমসং গন কলচরগী পাঙ্গল মখাদনি হায়না মার্চ ১২দগী ১৪ ফাওবা ন্যু দেল্লীগী অজয় ভবনদা পাঙথোক্লিবা নেসনল কাউন্সীলগী মীটিং অমদা এম এস সী, সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে হায়না এম এস সী/সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মীখল অসিদা বি জে পি খক্তগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনরিবা কুকি লালহৌলূপশিংদা চাউরবা শেনফম থাদদুনা চীংগী এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিশিংদা বি জে পি মীরেপশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনখি। চীং অমসুং তম্পাক্কী এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সি খরদা পামদবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক তোয়রকপদগী হৈরোক্তা মহৈরোয় অমসু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বদা হকথেংননা চেন্নবশিং কোর্টনা বেলদা থাদোকখিবদু লৈঙাক অসিনা ক্রিমিনেলশিংবু য়োকখৎলি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। মসিদসু নত্তনা ক্ষেত্রিগাও এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিদা জে দি-য়ুগী মীরেপ অমবু নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখিবা থৌদোক অদুখক নত্তনা ৱাংজিং তেন্থাদা য়ুম কয়া থুগায়রম্বগী মথক্তা মীওই অমবুসু নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখিবদু ষ্টেট অসিগী হোম দিপার্টমেন্টতা চাউনা শক-মায় য়েংনবগী চৎনবী অমা হৌদোরকপদগীনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল নুমীৎতা বি জে পিগী এজেন্টশিংনা অতোপ্পা মীরেপশিংগী এজেন্ট চঙহনখিদবা, পোল্লিং বুথ খরদনা বি জে পি এজেন্টশিংনা নম্ফুন্দা প্রোক্সিদা ভোট থাদখি। খরা অমদনা ঈ ভি এম থুগায়বগী থৌদোক থেংনখিবদু ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংগী পুৱারীদা অহানবনি। হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইখিদে হায়বদু নেসনল টি ভি চেনেলশিং য়াওনা প্রিন্ট মীদিয়াশিংনা খঙনরবা ৱাফমনি। রিপোল তৌবা য়ারবা পোল্লিং ষ্টেসন ১০০ হেনবগী মনুংদা শুপ্নগী অহানবা ফেজগী পোল্লিং ষ্টেসন ১২ অমসুং অনীশুবা ফেজগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ৭ খক্তদা রিপোল পাঙথোকহনখিবদু ঈ সী আইগী ওটোনোমিদা খুৎ থিংজিনবগী চিংনবা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাংজিং হোদাম্বা পোল্লিং ষ্টেসনগী রিপোল পাঙথোক্কদবা মমাঙদা বি জে পি ৱার্করশিংনা কোংগ্রেস মীরেপকী এজেন্ট অমবু তমথীনা ফূরম্বদা নত্তনা কোংগ্রেস শৌগৎপা ভোটর খরগী আধার কার্দ অমসুং ইপিক কার্দ মুনখিবা থৌদোক্তু বাইহুক এন্দ ক্রুক পান্থবগী মখাদা নমদুনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বা বি জে পিগী অরোনবা শক্তম অদু ময়েক শেংলকপনি। মসিদসু নত্তনা শুগ্নু এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিদা কোংগ্রেস অমসুং সী পি আইগী ৱার্কর ৩০ হেনবগী ময়ুম-মকৈ থুগায়দুনা মাঙ-তাকহনখিবগী মথক্তা কোংগ্রেসকী মীরেপকী পোল্লিং কেম্প অমগী মমাঙদা খামদুনা লৈরিবা গাড়ী ১২ রোম অমাঙ-অতা থোকহল্লমখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদসু কমরেদ এল সোটিনকুমারনা নেসনল কাউন্সীলগী মীটিং অদুদা মচা খায়না থমখি। মীখল অসিদা সী পি আইগী মীরেপ অনীমক চাউনা মায়থীবা ফংখিবদু মরুওইনা মাঙজৌননা শেম-শাবা ৱাৎখিবদগীনি। লোয়ননা শেল চাউনা থাদবা ঙমখিদবদগীনি। মথংগী মীখলদা পার্টিগী মীহুৎ মশীং য়াম্না কাহন্নবা লোকল বোদি মীখলদা শরুক য়াবা ঙম্নবা লোকল অমসুং ব্রাঞ্চশিং নৌনা ওর্গনাইজ তৌবা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# এন বিরেনবু অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু : এ এম এল দি ও

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): নোংথোম্বম বিরেনবু অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু অমদি কে রোবিন্দ্রোনা মিনিষ্টর ফম পীবীয়ু হায়না ওল ময়াই লন্বী দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এ এম এল দি ও)গী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সনদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা মমাঙদসু মীয়ামগী সী এম ওইখিবা অমসুং মণিপুরবু তংদু-লৈতানা দিভেলপমেন্ট কয়া পায়খৎলিবা এন বিরেনবু চীফ মিনিষ্টর অমুক হন্না ওইহনবা হায়বসি ঐখোয়গী অপাম্বনি। লোয়ননা বি জে পিগী টিকেটতা মায় পাক্লবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোবুনা শোথরবা ময়াই লন্বীগী মিনিষ্টর অমা পীবীদুনা ময়াই লন্বীদা তারিবা এ সীশিংগী চাউখৎ থৌরাংদা খুন্মাং য়াঙশিনহনবীয়ু।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী বি জে পি লিদ গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা দিভেলপমেন্ট ফজনা পায়খৎখিবা অমসুং মীচম মীয়ামগী নুংঙাই য়াইফনবগী থৌরাং কয়া পায়খৎখিবা অসিগা লোয়ননা মহাক্কী লমজিং মখাদা মহাক্না কন্না হোৎনখিবনা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবনি। মরম অসিনা বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা অমদি মরী লৈনবা খূদিংমক্তা মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টরনি হায়নরিবা এন বিরেনবু অমুক হন্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু। মণিপুরবু মখা তানা ঈংনা চিক্লা, তংদু-লৈতাবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইহল্লসি।

লোয়ননা ময়াং ইম্ফাল এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিদা কে রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী লম্বাদগী অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ভোট মশীং লিশিং ৬ হেন্দুনা মায় পাক্লকখিবা অমদি বি জে পিগী ভিজনশিংদা থাজবা থল্লিবা কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইরিবা মীয়াম্না য়াবা কোংখাম রোবিন্দ্রোদা শুংশোয় শোয়দনা মিনিষ্টর ফম অমসু খুৎশিন্নবীয়ু। মদুনা ময়াই লন্বীগী এ সীশিং অসি চাউখৎ থৌরাংদা থিন্থবা ওইরিবা অসিদগী কনবা ঙল্লদুনা দিভেলপমেন্টতা খুন্মাং য়াঙনা চঙশিল্লগনি অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা মণিপুরগী লৈমায়দা পুরকপা ঙমগনি হায়না ওল ময়াই লন্বী দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এ এম এল দি ও)গী চপ চাবা থাজবনি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদসু ওর্গনাইজেসন অসিনা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): রিজনল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজিনা শীন্দুনা ৱর্ল্দ কিদনি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না রিমসকী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা কিদনি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদু মালেমগী মফম কয়াদা কিদনিগী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমদুনা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈবা ঙম্নবা অমদি কিদনিদা নারকপা য়াবা অমসুং মদুনা মীওইবদা ওইহল্লকপা য়াবা চৈথেংশিং লোয়ননা মতৌ করম্না কিদনিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমগনি হায়বা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজিগী হেদ প্রোফেসর টি ব্রোজেননা এৱ্যের্নেস অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা কিদনিগী প্রোব্লেম, মতৌ করম্না কিদনি তেক্ত-কায়দনা থমগনি, কিদনিদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া নারক্তনবা অমদি করম্না লায়েংগনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংদা শুগায়না তাকপী তন্থীখি। লোয়ননা থৌরমদুগা মরী লৈননা রিমসকী কেম্পস মনুংদা উ চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): মতম শাংনা নোংমাইকোন প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব, চনা লিংখৎলকপা মতমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বগা লোয়ননা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াদা শরুক য়ারম্বা চনা ময়াই লৈকায়দা লৈবা কোন্সম নবনা ইখঙ খঙহৌদনা ঙরাং নুমীদাং লৈখিদবদা চনাগী খুঞ্জাশিংনা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবা কোন্সম নবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী কুমজা ২০১৭তা ৮২শুবা চহীগী মীফমদা নাটভুষন (স্তেজ দ্রামা) হায়বা মিংথোল পীদুনা ঈকায়খুম্ন খ্রবা ঠিএটরগী শক্লাইরবা এক্টর নোংথোম্বম লক্ষ্মননা মার্চ ৬ নোংমাইজিং নুমীৎতা মশাগী অনাবা অমদগী কোংবা নান্দেবম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি হায়না পরিষদ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এলাংবম প্রিয়ব্রতনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ১০০শুবা মপোক নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): মহারাজ কুমারী বিনোদিনীগী ১০০শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) ইম্ফালনা শীন্দুনা লৈকোলগী অচঙবা মেম্বর খাঙেম্বম ইবেতোনগী বিষ্ণুপুর বজারদা লৈবা সঙ্গাইদা চাক্লেন অমগা লোয়ননা অনীশুবা থাগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লৈকোলগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম কুমারীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজগী দিন প্রোফেসর নহাকপম অরুনানা অথোইবা মীথুং অমদি লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনীনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি। থৌরমদুগী মখা চথরকপা ওইনা লৈকোলগী ফাউন্দর মেম্বর হাওবম সৈত্যবতি, দি আই পি আরগী হান্নগী দিরেক্টর কোংবম মেঘচন্দ্র, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী শরতচান্দ থিয়াম, লৈকোলগী লাইফ মেম্বর খাঙেম্বম ইবেতোন অমদি সেরাম মোহেন্দ্রোনচিংবসু শরুক য়াখি হায়রি।

## লিলোং হাওরৈবী কোলেজদা ফেকল্টি দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেল, লিলোং হাওরৈবী কোলেজনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌদুনা লাক্লিবা মার্চ ১৪ ফাওবা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা চথুগদবা ফেকল্টি দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম ফোর য়ুনিভর্সিটি এন্দ কোলেজ টিচরসকী ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম অমা লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম অসি অজাদি কা অম্রিট মহোটসব থৌরমগী মনুং চন্না রজিভ গান্ধী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ য়ুথ দিভেলপমেন্ট, শ্রিপেরুম্বুদর, তামিল নাদু অমদি লিলোং হাওরৈবী কোলেজগা পুন্না খুৎশম্নদুনা রোল ওফ টিচর ইন ইন্টগ্রেটিং স্কিল দিভেলপমেন্ট ইন হায়র এদ্যুকেসন থ্রু এন ঈ পি ২০২০ হায়বা থীমদা সেসন ১৪ থমদুনা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা পাঙথোক্কদবনি।

থৌরম অদুদা ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম, দিরেক্টর য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা স্পেসল গেষ্ট, ডা. কিরন হজারিকা, দিরেক্টর দি দি য়ু সেন্টর ওফ কৌশাল, দিব্রুগর্হ য়ুনিভর্সিটিনা অথোইবা মীথুং, প্রোফেসর য়ুনকয়ুং লী, কোরিয়ন লেংগ্বেজ দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন লেংগ্বেজ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি প্রোফেসর সী ঐচ ইবোবী মৈতৈ, দিরেক্টর সেন্টর ওফ স্কিল দিভেলপমেন্ট এন্দ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা অখন্নবা মীথুং অমদি ডা. এম দি রহৈজুদ্দিন শৈখ, প্রিন্সিপাল লিলোং হাওরৈবী কোলেজনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম অসিগী চ্যেরমের ডা. এম দি রহৈজুদ্দিন শৈখনা হায়খিবদা, ঙসিদগীনা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম অসিদা মরুওইনা এন ঈ পি ২০২০গী মরুওইবা কম্পোনেন্ট অমা ওইরিবা ভোকেসনেল এদ্যুকেসন ইন হায়র এদ্যুকেসনদা ওজাশিংনা লৌগদবা থৌদাং, সেল্লেবস করিক্যুলম মতৌ করম্না শেমগনি হায়বগী মতাংদা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি থাক্কী ওজা কয়ামরুমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদবনি। লম কয়াদা খঙ হৈরবা শক্লাইরবা ওজাশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা সেসন ১৪ থমদুনা গ্রুপ দিস্কসন য়াওনা আইটেম কয়াদা নৈনগদৌরি।

## শীংবা ঙল্লরোইদবা লম্মন তোনশিঞ্জরে : ঐচ দিঙ্গো

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): লাইগী মশক ওইরবা সেকমাই এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিগী মীয়াম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচবগা লোয়ননা পুন্সিদা শীংবা ঙল্লরোইবা লম্মন অমা তোনশিঞ্জরে হায়না সেকমাই এ সী অসিগী অনীরকশুবা ওইনা বি জে পিগী টিকেটতা ভোট কারকখ্রবা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙগী টর্মদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চহী অনী মখায়রোম মতম মাঙহনখ্রবসু হন্দক টর্ম অসিদদি দবল স্পিদতা দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরগনি। লোয়ননা মীয়াম্না মঙোন্দা থল্লিবা অচেৎপা থাজবশিং অদু কৈদৌঙৈদসু মাঙহল্লোই হায়খি।

অমরোমদা, মায় পাকহৌদ্রবা ইলেক্সনদা লম্বা তৌনখিবা কেন্দিদেটশিংদা মায় পাকপা অমদি মায়থীবা পুম্নমক শীল্লিবা মপুগী খুদোলনি খন্দোক্তুনা মখা তাবা দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরমশিং খূদিংদা হেন্না ফবা ক্রিএটিভ সজেসনশিং পীবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি। সজেসনশিং অদুনা হেন্না চাউখৎপা সেকমাই অমদি অফবা মণিপুর অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মীখল অসিদা মায় পাক্লবগীদমক অহিং-নুংথিল খাক্তনা হোৎনবীখিবা বি জে পিগী ৱার্করশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি। নীংশিংবা য়াবদি বি জে পিগী কেন্দিদেট ঐচ দিঙ্গোনা এন পি পিগী মীরেপতগী ভোট মশীং ৩৪০৮ হেন্দুনা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকখিবনি।

## 'ইলেক্সন মতুংদা খৎন-চৈনবগী মহুৎতা পুন্না নুংশি-চান্না লৈমিন্নসি'

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সন তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মার্চ ১০দা ভোট মশীং থিবা নুমীৎতগীনা ঙরাং ফাওবদা জিরিবাম এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিদা থোকহন্নিংদবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসি লেপ্পীয়ু অমদি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি হায়না এম এল এ, এম দি অসবউদ্দিননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঙরাং ফাওবদা জিরিবাম এ সীদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক খরা থোকখিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। থৌদোক অদু ৱাখল তান্নদবদগী থোকখিবা ওইরম্বা য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা খৎন-চৈনবগী থবক অসি তোকপীদুনা মরুপ-মপাং ওইনা ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নসি। জিরিবাম হায়রিবা এ সী অসি হান্নদগী হৌনা য়াম্না শোথনা লৈরিবা এ সী অমনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঈরাং শাগৎতুনা লৈরগদি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদসু অপনবা লৈগনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী ইচিল-ইনাওশিংনা মহৌশাগুম ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নদুনা চাউখৎনবা হোৎনমিন্নসি। ভোট হায়বসিদি অমনা কাবা অমনা পোবা অদুম্মক তাবনি। মসিদা পার্টিগী ওইবা ৱাফম লৈতে। লোয়ননা হন্দক জে দি-য়ুগী কারকখিবা কেন্দিদেটশিংনা বি জে পিদা সপোর্ট তৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): মীওই কাঙলুপ খরনা ঐহাক্কী য়ুম, দুকান অমদি দুকান মনুংদা লৈবা সী সী টি ভি কেমেরা, কম্প্যুটর, লেপটোপ মেছিনশিং থুগায়রম্বদা নত্তনা গাড়ী মৈ থাদোকপীরম্বা লোয়ননা য়ুম মনুংদা চঙলগা য়ুমগী থোঙ-থোঙনাও থুগায়রম্বদা নত্তনা য়ুমদা নুঙ লংশিল্লকপা অদুদা অঙাংশিংনা নুঙনা পান্দনবা কোয়চেন চেনবগী ভিদিও ক্লিপ উবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই অমদি থৌওং অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না জিরিবাম দিবোং অৱাং লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম প্রোমেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী সোনাপুরদা লৈবা ৪০-জিরিবাম এ সীগী মীখলদা মায় পাকখ্রবা এম দি অসবউদ্দিনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, দুকান্দা নুঙ লংশিল্লিবা, দুকান থুগায়রিবা, দুকান্দা লৈরিবা প্রোপর্টিশিং মাঙহল্লিবা, গাড়ী মৈ থাবা অমদি য়ুম মনুংদা চঙলক্তুনা য়ুমগী থোঙ, থোঙনাও কাউখায়রম্বদা নত্তনা পোৎ-চৈ কয়া থুগায়বীরল্লিবা অসি করি মরমগীনো। নুঙ মশীং থিঙমদনা লংশিল্লকপদগী লোৎফম লৈতদনা ইচাশিংনা কাংখ মখাদা লোৎতুনা লৈবা অমদি অপোকপী ইমানা পাখৎতুনা ৱান্থবদগী ঈশিং চাইদুনা লাক্ন হনখিবগী অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবগী মতৌনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া মখা তানা থোক্তনবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মরাল লৈরবা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংবু থিদোকপীদুনা মখোয়দা পীফম থোকপা চৈরাকশিং পীবীয়ু। মদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্লক্লোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কে এস ওনা য়েংশিন খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) জিরিবাম অমদি তমেংলোং ব্রাঞ্চকী ভাইস প্রসিদেন্ট সৈলাল খোংসাইনা লুচিংবা প্রেসকী টিম য়াওনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কাইমাই কুকি ভিলেজ, মৌকোৎ ভিলেজ, থিংতুবুং অমদি তোলেন ভিলেজ শিংদা লৈরিবা স্কুলশিং কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা হায়রিবা খুলশিং অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংদা স্কুলদি লৈরগা ওজাশিং লৈরমদবা থেংনরকখি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু কে এস ওনা আপীল তৌরক্লি।

খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা কে এস ও জিরি অমদি তমেংলোং ব্রাঞ্চকী ভাইস প্রসিদেন্ট সৈলাল খোংসাইনা ফোঙদোকখিবদা, মৌকোৎ ভিলেজদা ঙসি স্কুল য়েংশিনবা চৎলুবদা স্কুল অসিগী বিল্ডিংদি ফজনা শারগসু স্কুল অসিদা শুপ্নগী ওজা অনীখক্তা লৈ হায়বা খুল অসিগী নিংথৌনা ফোঙদোরকখি। ওজা অনী অদুসু আউট ওফ ষ্টেসন ওইখিবা মতম শাংলে হায়রি। ওজা অমনা হোস্পিটালাইজ তৌদুনা লৈরি। অদুগা অতোপ্পা ওজা অমনা মফম মরাং খঙদনা লৈরে হায়নসু খুলগী নিংথৌনা ফোঙদোরকখি। হীরম অসিগী মতাংদা খুলগী নিংথৌনা জেদ ঈ ওদা চৎতুনা স্কুল অসিগী হৌজিক ওইরিবা ওজাগী ফীভমশিংগী মতাংদা চপ চানা খঙহনবীয়ু হায়না পিটিসন অহুল্লক থাখিবসু লৈখ্রে। অদুবু জেদ ঈ ওনা ঙসি ফাওবা ওজা অদুগী দিটেল ফংদে হায়না মরিক চুম্বা পাউ পীরকপা লৈত্রি। স্কুল অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী খল্লগা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি। খোঙচৎ অদুদা কে এস ওগী মরুওইবা থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

## সেরাম নেকেননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অসিদা ঐহাকপু শৌগৎপীখিবা অমদি ভোট পীবীখিবা থোংজু এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিগী মীয়াম পুন্নমকপু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ভোট কাবা ঙমহৌদ্রবসু মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীখিবা অমদি থোংজু এ সীদা অওনবা অমা লাক্লবা হোৎনখিবা অদুমক য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়না থোংজু এ সীগী আই এন সীগী কেন্দিদেট সেরাম নেকেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থোংজু এ সীগী মীয়াম্না পীরকপা মেন্দেটনি হায়দুনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনদা লৈরল্লিবা ভোট মশীং অসি থাজবা ঙমদে। ভোট মশীং ঐঙোন্দগী ৬৫০০ হেনখিবা হায়বসি থাজবা য়াদবা থৌদোকনি। অদুবু অঙম-অথৌশিংনা ঈ ভি এম মেন্যুপোলেসন তৌখিবা শোয়দনা ওইগনি। মসি হায়দুনসু মীয়ামগী মেন্দেট ওইরবনিনা থোংজু মীহুৎ ওইনা খল্লবা লুচিংবা অসিগীদমক্তসু য়াইফ পাউজেল পীজরি।

ঈ ভি এম শীজিন্নবা অসিনা অশেংবা মীয়ামগী মীহুৎ খনবা ঙমখিরোই। লৈবাক অসিদা ইলেক্সনদা ঈ ভি এম শীজিন্নবগী মহুৎতা বেল্লোট পেপর শীজিন্নবীয়ু হায়দুনা সিগনেচর কেম্প্যেন চথবা হৌরগনি। মসিদা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীয়ু। ঈ ভি এম শীজিন্নবনা মীয়াম্না ইলেক্সন অসিদা থাজদবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লোয়ননা ইলেক্সনদা মায় পাকপা ঙমদ্রবসু মীয়ামগী মতেং পাংবগী থবক অদুদি লেপ্পা লৈতনা অদুমক মখা তানা তৌখিগনি। থোংজু কেন্দ্র স্পোর্টস ফন্দ অমা শেমদুনা শান্নরোইশিংবু মতেং পাংগনি হায়খিবদু থবক ওইনা পাঙথোকপা হৌরগনি। লোয়ননা মতম-মতমগী ওইবা ইস্যু কয়াদসু খন্ন-নৈনদুনা চাউখৎপা ঙম্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

## ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): নীংতম্বা ফংবা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগী মনুং চন্না ইন্দিয়া শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অম্রিট মহোটসবগী মনুং চন্না পাঙথোরকপা শাহীদোং কো শট শট নমন থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা মেজর ঙাঙোম জয় দত্তগী ইমুং-মনুংদা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না লেফটনেল কর্নেল মোহিট ভৈষ্ণভা পি আর ও দিফেন্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈখিদ্রবা মেজর ঙাঙোম জয় দত্তগী কখোকপগা লোয়ননা মমা লৈবাক্কীদমক থৌনা ফনা থৌগল তৌখিবগীদমক বির চক্র এৱার্দসু পীখ্রবনি। থৌরমদুগী মনুং চন্না থৌনা ফরবা মেজর এন জে দিগী ইমুং-মনুংদসু লেফটনেন্ট জেনরেল এল নিশিকান্তনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## জিরিবাম এ সীদা মীখল মরী লৈননা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া লেপ্পা লৈতনা থোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সনদা ৪০-জিরিবাম এ সীদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্ট হায়দোকখ্রবা মতুং লেপ্পা লৈতনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকপগী পাউ লাক্লি। ঙরাং নুমীদাং চাউরাক্লা পুং ১১ রোম তাবা মতমদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা সোড়োক অতিংবী খুনৌদা লৈবা লৈহাওরম্বম রোজিৎ (৬৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল সুরজিৎকী য়ুম মৈ থারল্লে হায়রি।

য়ুম মৈ থারম্বা থৌদোক অদু প্রোজিৎ অমদি মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপী খক্তা লৈরিঙৈ মতমদা প্রোজিৎনা অপোকপী মমা মশা ঙমদ্রে হায়দুনা অপোকপী মমাগী ময়ুমদা চৎলিঙৈগী তাঞ্জা লৌদুনা য়ুম অদু মৈ থারমখিবনি। করি মরমগী য়ুম মৈ থারল্লিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রবসু থৌদোক অসি মীখলগা মরী লৈনরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরি। য়ুম মৈ থাখিবা অদুদা প্রোজিৎকী মচানুপীগী লেপটোপ, গাড়ী অমা, শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০ অমদি সনা মোহোর ৬ লোমসু মফম অদুদা লৈরমদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা জিরি পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা এল প্রোজিৎনা পাউমীশিংগা ফোঙদোকখিবদা, য়ুম মৈ থাবা, সনা লিকি কোল অমদি লেপটোপগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০ লোমসু মাঙখ্রে। য়ুম মৈ থারল্লিবা মীওইশিং অসিসু কনানা ওইরমগনি হায়বা চপ চানা চিংনবা মীওইশিং লৈতে। জিরিবামগী মফম কয়াদা মীখলগা মরী লৈননা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি য়েংলগা ভোটকা মরী লৈননা য়ুম মৈ থাবীরম্বা হায়বগী চিংনবদি লৈ। লৈকাই অসিদা ঐনা অরানবা থবক তৌখিবদি লৈতে হায়খি। প্রোজিৎকী লোয়নবী এল পুনবতিনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গা মীওই অমত্তগা নুংঙাইনদবা লৈতবনিনা কনাদসু তায়নফম লৈতে। থৌদোক অসি ভোটকা মরী লৈনবা ওইরমগনি হায়নদি খল্লি। মমাঙ চহী অসুক কুইবা মতম অসি ফাওবদা ভোটকীদমক্তা অসিগুম্বা থৌদোক থোকখিবা লৈত্রি। নোংমা নীনি অসিগী মনুংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি জিরিবামদা অমুক ফাওবা থোকখিদ্রি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা লমদম অসিগী লুচিংবা অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবীয়ু। লুচিংবশিংনা অসিগুম্বা থবক চথুরবদি লৈবাক মীয়াম খম থেংনা ৱারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মশানা মশাবু সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টনি হায়জবা রাকেশ নাওরেমনা ক্লবতা লাক্তুনা শেংদোক্কদবনি : টি কে দল্লিয়ু এ

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস): মশানা মশাবু সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টনি হায়জবা তেন্থা খোংবালদা লৈবা রাকেশ নাওরেমনা মীদিয়াদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা তেন্থা খুঙ্গংবু লান্না উহল্লিবা অদু মহাক্না থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা ক্লব ওফিসতা লাক্তুনা শেংদোক্লগদবনি। ৱাফম অসিদা থওইদ্রবদি টি কে দল্লিয়ু এ অমদি তেন্থাগী মীয়াম্না রাকেশ নাওরেম অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংবু অকনবা মওংদা সোসল বোয়কোট তৌগনি হায়না তেন্থা খোংবাল ৱেলফ্যের ক্লব (টি কে দল্লিয়ু এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সঞ্জয়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি তেন্থা খোংবালদা লৈবা টি কে দল্লিয়ু এগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক ৱাথোক খরা ৱাংজিং তেন্থা এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা ৱাংজিং অমসুং তেন্থাগী মফম খরদা থোকখিবা অসি লাইবক য়াম্না থীবনি। পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগা মরী লৈনদনা মতম শাংনা ইরমদম অসিগীদমক থৌগাই কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা তেন্থা খোংবাল ৱেলফ্যের এসোসিএসন ক্লব (টি কে দল্লিয়ু এ) তেন্থানা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই অমসুং মখা তানা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অসি টি কে দল্লিয়ু এনা কোল্লিবা মফমশিংদা থোক্তনবা খন্নরিঙৈ চৈরক অসিদা মশানা মশাবু সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টনি হায়বা রাকেশ নাওরেম কৌবা তেন্থা খোংবালদা লৈবা মীওই অসিনা মশাগী অহেনবা কান্নবা ফংনবা হোৎনবগী মওংদা মপুনা ইনশিল্লিগা খোংবা হূই অমগুম শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈ কয়া হায়জিন্দুনা তেন্থাদা লৈবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী অমসুং মীওই কয়াবু হুন্দুনা ঙাংবা অমসুং তেন্থাগী মীয়াম্বু লান্না উহন্নবা অমদি মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, রাকেশ নাওরেমগুম্বা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনদা নত্তবা পান্থৈ শীজিন্নরম্বগী বোসেমনা তাম্থোকখিবা ৱাখল মপুং ফাদ্রিবা মীওই অমনা ক্লব নৎত্রগা মৈরা পায়বী হায়বসি পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা কেন্দিদেট অমত্তগী মায়োক্তা লেপফম থোক্তে অমসুং লেপতে হায়বসি রাকেশ নাওরেমনা খঙফম থোকপনি। রাকেশ নাওরেমগী য়ুম মৈ থারম্বগী থৌদোক অসি কনানা করিগীদমক চথুরম্বা থৌওংনো হায়বা ক্লবনা করিমত্তা খঙবসু লৈতে লোয়ননা ঙসিফাওবদা রাকেশ নাওরেমগী ইমুং-মনুংগী মীওই অমত্তনা ক্লব অসিদা ৱাফম অমত্তা হায়রকপসু লৈত্রি।

রাকেশ নাওরেম মশামক্তা মীদিয়াদা মহাক্কী য়ুম অসি ইলেক্সনগী মুক্লুবা লৈবদগী মৈ থারম্বনি হায়না ফোঙদোরক্লিবা অসিদি মখোয় মশেলগী লন্নাইগী ওইবা ৱাফমনি। ইলেক্সনগী মুক্লুবা য়ানদবশিংবু ক্লবনা ৱায়েল চথবা য়াত্রা। রাকেশ নাওরেম হায়রিবা মীওই অসি লৈকায়গী ক্লবকী মায়োক্তা লৈবা মীওইনি। লৈকায় অসিগী ক্লবনা শীনবা সোসল সর্ভিসশিংদা মহাক মশা শুকয়াও য়াওদনা মীদিয়াদা মশানা শীনবা শাদুনা মনা লৌনবা হোৎনবা মীওইনি। রাকেশ নাওরেমগুম্বা অমনা মণিপুরবু মালেমদা শক্তাক্লিবা ডা. নরবু হুন্দুনা মীদিয়াদা ঙাংবা মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরকপা অসি টি কে দল্লিয়ু এনা হকচিন্না লৌই হায়খি।